অফঘানিষ্টানগী কানদহার মোক্স বোম ব্লাষ্টতা মীওই ৩২ শিখ্রে, ৫০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে : রিপোর্ট

কানদহার, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী) :

অফঘানিষ্টানগী মনুং চনবা কানদহার দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা সীটি মোক্স অমদা মীয়াম্না লাইনিং লাইশোলগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা শকখঙদবশিংনা বোম এটেক চথদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২ হাৎখ্রে অদুগা ৫৩ অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্টশিং অসিগী মতুংইন্না, বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং হেল্থ ৱার্করশিংনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথখি। পুন্না এম্বুলেন্স ১৫ না থৌদোক থোকফমদগী অশোকপা হকচাংশিং মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখত্তুনা ট্রিটমেন্ট চথখি। হোস্পিটালদা পুখৎলকখিবা হকচাংশিং অদুগী মনুংদা ৩২ দি হান্ননা শিদুনা লৈরম্লে। হিংহৌরিবশিংগী মনুংদা ফিভম লুবা মীওই ৭ য়াওরি। মখোয় হৌজিক কাবুল গবর্নমেন্ট হোস্পিটালগী আই সী য়ু দা থমদুনা লায়কন্নরি হায়না হোস্পিটাল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অতোপ্পা রিপোট অমগী মতুংইন্না মোক্স অদুদা পুন্না বোম অহুম পোকখায়হন্দুনা এটেক অদু চথখিবনি। সীটি মোক্স অদুগী মখা থংবা শরুক, মরুওইনা মী চঙথোক চঙশিন তৌনরিবা থোঙ মপা অমদি মীয়াম পুনশিন্দুনা লাই খুরুম্বগী থবক পাঙথোক্লিবা মফমশিংদা থংন-থংননা বোম অসি পোকখায়হনখিবনি। মমাং চায়োলদা কুন্দুজতা লৈবা মোক্স অমদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মেম্বরশিংনা স্যুসাইদ বোম এটেক চথদুনা মীশি মীনা কয়া থোকহনখ্রবা মতুং ঙসিগী এটেক অসি অমুক চথরকখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এটেক অসি কনানা চথখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। গ্রুপ অমত্তনসু এটেক অসিগী মতাংদা ক্লেইম তৌরকপা লৈত্রি। অদুম ওইনমক এটেক অসি ইস্লামিক ষ্টেট-খোরাসান গ্রুপনা চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। হায়রিবা গ্রুপ অসি সুনি ইস্লামষ্টি মুভমেন্টগী মায়োক্তা লৈবা গ্রুপ অমনি।

হৌখিবা ওগস্ট থাদগী অফঘানিষ্টানদা টালিবান লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মোক্সশিংদা টার্গেটি তৌদুনা এটেকশিং চথবগী থৌদোক কয়া থোক্তুনা লাক্লি। মরুওইনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মেম্বরশিংনা এটেকশিং চথরি। মখা তানসু লাইনিং লাইশোল পাঙথোকফম জগাদা এটেকশিং চথরকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা মীওই কয়াদি লাইশঙদা থোক্তুনা লাই খুরুম্বগী চাং য়াম্না হন্থরবা য়ানা লৈ।

অমরোমদা টালিবান লৈঙাক্কী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় কারি সয়েদ খোসটিনা ফোঙদোকখিবদা, লাইনিং লাইশোল থৌরম পাঙথোকফমদা বোম এটেক চথখিবা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোকহন্নিংদে। টালিবানগী য়েক্লবা য়াল্লম্বা য়াই অদুবু লাইশঙদা টার্গেট তৌদুনা এটেক চথবগী থৌওং অসিদি পাঙদবগী থৌওংনি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা মশক খঙদোক্লবা হোৎনবগা লোয়ননা ইস্লামগী মতুংইন্না চপ চাবা চৈরাক পীগনি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা সীটি মোক্সশিংদা য়াম্না তোয়না এটেক চথবগী থৌদোক হেনগৎলক্লিবা অসি টালিবাননা য়াম্না হকচিন্না লৌই। মখা তানা অসিগুম্বা লাইবক থিবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা হোৎনগনি। মীয়াম্নসু অনৌবা লৈঙাক অসিদা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০১৭ কী ওক্টোবর থাদসু আই এসকী মেম্বরশিংনা সীটি মোক্স অমদা এটেক চথদুনা মীওই ৫৬ হাৎখিবনি।

বৈরুট প্রোটেষ্টতা খুৎ থোক্লরকপদগী মীওই ৬ শিরে, কয়ানা শোকখ্রে

বৈরুট, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী) :

বৈরুট পোর্ট এক্সপ্লোজনগী মতাংদা চথরিবা থিজিন হুমজিনবগী থৌওং অদুবু পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা হেজবোলা সপ্পোর্টরশিংনা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারিঙৈদা খঙহৌদনা থোক্লকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অমদা য়ামদ্রবা মীওই ৬ শিখিবগা লোয়ননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না লেবানিজ রেদ ক্রোস সোসাইটিনা ফোঙদোরক্লি।

সোসাইটি অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না, বৈরুট পোর্ট এক্সপ্লোজনগী থৌদোক অদুবু থিজিনবদা লুচিংলিবা জজ তারেক বিতরনা খুদম কয়া মাঙহন্নবা হোৎনরে। মরম অদুনা মহাকপু জজগী ফমদগী লৌথোকপদা নত্তনা কেস অসিদা মহাক মখা তানা থবক তৌহন্দনবা মীয়াম্না তকশিন্দুনা লাকখিবনি। মীয়ামগী ৱাকৎ অদু মরী লৈনবশিংনা তারক্তবদগী ঙসি খোয়শাউনরবা মীওই কয়া টায়ৌনেদা পুনশিন্দুনা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাখিবনি।

মীয়াম্না খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারিঙৈ মরক অদুদা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোক অদু থোরকখিবগা লোয়ননা মীশি মীনা থোকহনখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং অহেনবা পুলিস ফোর্সশিং মফম অদুদা থোমজিল্লকখিবগা লোয়ননা মখা তানা ঈরাং থোক্তনবা মীকুপ নাহুম শিংনা শেন্নদুনা লৈখ্রে।

অমরোমদা হেজবোলাহ অমসুং মসিগা চৎমিন্নরিবা অমালনা থাদোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না খৃষ্টান লেবানিজ ফোর্সশিংনা এটেক অদু অতম্বনা চথখিবনি। সিভিল দ্রেস শেৎপা মখোয়গী ফোর্সশিংনা মীয়াম মরক্তা চঙশিল্লক্তুনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদু থোকহনখিবনি। মসি হান্না প্লান তৌদুনা থোহকহনখিবা থৌদোক অমনি হায়না মরাল শিরক্লি। অমরোমদা লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর নজিব মিকাটিনা থৌওং অদু পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা খোঙজংলোয়শিংনা কা হেনবা থৌওংশিং চথখি হায়রি।

চহী ১২-১৭ ফাওবগী অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগনি

কেপ টাউন, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী) :

সাউথ অফ্রিকাদা লৈরিবা চহী ১২ দগী ১৭ ফাওবগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিংদা মথং চায়োলদগী হৌরগা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎতগী ঙাকথোক্লবা ফাইজর ভেক্সিন কাপ্পা হৌরগনি হায়না লৈবাক অদুগী হেল্থ মিনিষ্টরনা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

লৈবাক অদুদা হৌখিবা ওগষ্ট থাদগী হৌরগা চহী ১৮ গী মথক্তা লৈবশিংনা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পবগীদমক ক্যু শাংনা শাংনা লেপ্পখি। চহী অসিগী অরোয়বা থা ফাওবদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওইগী চাদা ৭০ ভেক্সিন মপুঙ ফানা কাপথোক্লবা থমখিবা পান্দম অদুগী মতুংইন্না ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক য়াংশিনবা হৌরকখিবনি। চহী য়াল্লবশিংগী ওইনদি ভেক্সিন কাপ্পগী থবক পায়খৎপা হৌখ্রবসু চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগী অয়াবা ফংদবনা লৈঙাক্লা ফিরেপ লৌবা ঙমদনা লাকখিবনি।

হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা মরী লৈনবশিংনা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা য়াবগী অয়াবা পীরকখ্রবা মতুং মথং চয়োলদগী হিদাক কাপ্পবা ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি। মমাং থাদা অঙাংশিংদা ফাইজর ভেক্সিন কাপ্পদা অয়াবা পীখ্রবসু চহীগী ওইবা রেঞ্জ খঙদবদগী হিদাক কাপ্পগী থবক তৌদনা লাকখিবনি হায়রি।

কোভিদ-১৯ না মালেমগী লৈবাকশিংদা পীরকখিবা অহানবা অমসুং অনীশুবা চৈথেংদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবা মায়োক্লখিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা সাউথ অফ্রিকাসু অমনি। লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিদা মীওই কয়া শিহনখ্রে। মদুগী মতুং অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মতেংগা লোয়ননা ভেক্সিনেসনগী থবক পায়খৎপা হৌরকখিবনি।

মোস্কো ফোর্মেট মীটতা টালিবান শরুক য়াগদৌরি

মোস্কো, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী) :

মথং চয়োলদা রসিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা হৌজিক হৌজিক অফঘানিষ্টানগী ওইরিবা ফিভম অসিগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা মোস্কো ফোর্মেট মীটতা টালিবানগী দেলিগেসন টিমসু শরুক য়ারগনি হায়না টালিবানগী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লদিমির পুটিনগী স্পেসল রিপ্রজেন্টেটিব জমির কাবুলোভনা ফোঙদোকখিবদা, লাক্কদৌরিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা মোস্কোদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা টালিবানগী দেলিগেসন টিম শরুক য়াগনি হায়না কনফার্ম তৌরকখ্রে। অদুবু মখোয়গী দেলিগেসন টিম অদুদা কনা কনা য়াওগদগে হায়বদুদি চপ চানা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অথুবা মতমদা মীফম অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা টালিবান লুচিংবশিংগী মমিং পীশিল্লক্লগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি অফঘানিষ্টানদা টালিবানগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মেম্বরশিংনা লৈবাক অদুদা লৈরগা টেররিজম ওইবা থবক থৌওংশিং চথরকপা য়াই হায়না ঙল্লিঙৈ মতমদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। রসিয়ানা লৌখৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা টাজিকিষ্টানগী মিলিটরি এক্সরসাইজশিং পাঙথোকপা হৌখ্রে অমদি অনৌবা খুৎলায় কয়া মিলিটরিদা সপ্লাই তৌদুনা ঙমখৈগী শরুক মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা থৌরমশিং পায়খৎপা হৌখ্রবনি।

লোয়ননা ৱার্ল্ড পৱারশিংনা মীয়াম্না য়াবা টালিবান লৈঙাক অমা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মোস্কোনা ফোঙদোকপসু লৈখ্রে।

নুপী অমা মঙক কত্তুনা হাৎলম্লে চিংনবা মীওই পুলিসনা ফাগৎখ্রে

মার্সেলি, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):

ফ্রান্সকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা য়াম্না মমিং চৎপা রিজোর্ট অমদা মশাগী চহী ৭৭ রোম শুরবী নুপী অমা মঙক কত্তুনা হাৎলম্লে। থৌদোক অদুদা চেন্নবা ওইরম্বা য়াই চিংনবা মীওই অমা পুলিসনা ফাবা ঙমখিবগা লোয়ননা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌখ্রে হায়না প্রোজিক্যুটরশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী ওফিসনা ফোঙদোকখিবদা, থৌদোক অসি হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা থোকখিবনি। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী নুপী অসিগী মচানুপানা মমাগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে হায়না পুলিসতা রপোর্ট তৌরক্লবা মতুং পুলিসনা খুদক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থি হুম্বগী থবক চথবা হৌখি। মদুদা নুপী অদুগী ময়ুমদগী পংলাপ লাপ্তুনা লৈবা রিজোর্ট অমদা অশিবা হকচাং ওইনা থেংনখিবনি। মহাক্কী হকচাং অদু মকোক্কা মশাগা তোঙান্না তাদুনা লৈরমখি। অশিবা হকচাং অদুগী মনাক নক্লা লৈবা টেবল অমগী মথক্তা মহাক্কী অককপা মকোক অদু লৈরমখিবনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মশাগী চহী ৫১ রোম শুরবা নুপা অমা পুলিসনা ফাগৎখ্রে। মহাক মখা তানা মরী লৈনবা কোর্ট অমদা পুথোক্লবা মতুং কষ্টদিদা রিমান্দ লৌথদুনা থমখ্রে। পুলিসনা ফারবা মীওই অসি নুপী অদুগী অশিবা হকচাং লৈরমখিবা কা অদুগী থংনবা কাদা লৈরম্বা মীওইনি। মহাক্কী কাদা ঈ তৈরবা থাংশাং অমা লৈরম্বা থেংনবদগী পুলিসনা চিংনদুনা ফাখিবনি।

ভেক্সিন ফুল দোজ কাপ্লবশিং সিদনিদা মথং থাদগী লাকপা য়ারগনি

সিদনি, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মতম শাংনা লোকদাউন থমজিল্লুরবা ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী মরুওইবা সিটিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সিদনিদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্থরকখ্রবা মতুং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লোকদাউন লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিং সিদনিদা অমুক হন্না কোইবা লাকপা য়ারগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ন্যু সাউথ ৱেলসকী প্রেমিয়রনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, সিদনিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক খোঙজেল য়াঙশিল্লি। সিটি অদুদা লৈরিবা মীওইশিংগী চাদা ৮০দি অহানবা দোজ মপূং ফানা কাপখ্রে। মতম শাংনা সিটি অসিদা লোকদাউন থমজিল্লকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাবা মায়োক্লদুনা লাক্লি। অদুমওইনমক লৈঙাক্লা লৌখৎখিবা অকনবা চেকশিন থৌরাংশিংনা মরম ওইরগা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হান্নগা য়েংনরুবদা য়াম্না হন্থরকখি। মসিনা মরম ওইরগা অথিংবশিং কোমথোক্তুনা মালেমগী অতোপ্পা লৈবাকশিংগী মীওইশিংবু তরাম্না ওক্লবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদগী হৌরগা ওষ্ট্রেলিয়ানা লৈবাক অসিগী ঙমখৈগী শরুক খূদিংমক থিংজিন্দুনা লাকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অসিগী ইকনমিদা চাওনা চৈথেং পীরি। মতম শাংনা ঙমখৈগী শরুক থিংজিল্লুরবসু অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা মালেমগী লৈবাকশিংগা অমুক হন্না পূন্নবগীদমক ঙমখৈগী শরুক হাংদোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়না প্রেমিয়র দোমিনিকনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা লৈবাক অদুদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরকখিবা অদুবু হরাউবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লাইচৎ অসি মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রিবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা অমদি অনৌবা ওর্দর অমা থোক্ত্রিবা ফাওবা ফেসমাস্ক শীজিন্নবা খঙহল্লক্লি।

ঈকংনা মরম ওইরগা কেনিয়াদা মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি

মর্সাবিট, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী) :

কেনিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা মমাং চহীদগী হৌরগা ঈকং থোকপদগী মহৈ মরোং অমত্তা লোকখিদবগা লোয়ননা পোৎ চৈ গী মমল অঙকপা ফংনা ৱাংখৎখিবদগী মফম অদুদা লৈরিবা মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌখিবগা লোয়ননা য়ুমদা য়োকপা শা উচেক কয়াদি লন্বীদা চৎপা ঙমদদুনা শিবা হৌখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী এইদ এজেন্সি অমনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কেনিয়াগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদা চহী মঙাগী মখাদা লৈবা অঙাং ৪,৬৫,০০০ অমদি মিরোল্লিবি অমসুং অঙাং মবুক পীথক্লিবি ৯৩,০০০ চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। য়ুনাইটেদ নেসন্স ৱার্ল্ড ফুদ প্রোগ্রামনা লৈবাক অসিগী অৱাবা তারবা মীওইশিংদা মমাং চহীদগী হৌরগা চানবা পোৎলমশিং তেংবাং পীদুনা লাক্লি।

অদুম ওইনমক য়ু এন ফূদ এজেন্সিনা পীরিবা মতেং অসিনা অৱাবা তারবা মীওইশিংগী চাদা ৩০ য়ৌনা মতেং পাংবা ঙমদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা হিরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগী মথৌ তারি।

অমরোমদা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লাইরবা লৈবাক অসিদা পোৎ চৈগী মমল কা হেন্না তাংখৎখিবনা মরম ওইরগা মীওই কয়া চানা থক্কবা পোৎলমশিং লৈবা ঙমদবগী অৱাবসু মায়োক্লরি। কেনিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগী ফিভমসু লৈত্রি। লৈবাক্কী ইকনমিগী ফিভম ফগৎনবা হোৎনবনা লৈঙাক্কী মরুওইবা পান্দম ওইরি।

মসিদা অমুক্কা হেন্না লুরিবদি মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা মথং চহীদসু নোং য়াম্না লীক্লা তারবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না লাউথোকখিবা অসিনি। করিগুম্বা মথং চহীদসু ঈকং থোক্লবদি লৈবাক অসিগী ইকনমিগী ফিভম লুগদৌরি।

কাবুল ওর্ফানেজশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি

কাবুল, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী) :

লাননা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমদা লৈরিবা অফঘানিষ্টান লৈবাক্তা লৈরিবা ওর্ফানেজশিংগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লক্লি হায়না কাবুলদা খ্বাইদগী চাওবা ওর্ফানেজ হোম চল্লাইরিবা অহমদ খালিল ময়াননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, অফঘানদা লৈরিবা চিলদ্রেন হোমশিং অসি মরুওইনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিশিংগী ফন্দিংনা চল্লাইবা ঙাক্তনি। অদুমওইনমক হৌখিবা থা খরা অসিদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ওর্ফান হোমশিংদা শেল্টং লাকখিদবগা লোয়ননা লন্নাই ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পাংলম্বশিং অদুসু লেপখিবদগী অৱাবা মায়োক্লবা হৌরকখিবনি। হৌখিবা ওগষ্ট থাদগী অফঘানিষ্টানদা টালিবান লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মতেং পাংবগী থবকশিং লেপখিবনি। মহাক্কী হান্না লৈজরম্বা শেনফমশিংনা অঙাংশিং অদু হৌজিক-হৌজিক্কী ওইনদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং লৈদুনা পীজরি। অদুমওইনমক নুমীৎ ৪নিদগী হেন্না মহাক হোম অদু চল্লাইবা ঙমগদবা মান্দ্রে হায়রি।

চার্টর ফ্লাইটশিং অফঘানিষ্টানদগী পাইহন্নবা হোৎনরি : য়ু এস

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):

অফঘানিষ্টানদা মখা তানা টুপশিং থাজিন্দুনা মী লৌথোক্লবগী ফিরেপ য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা লৌবা লৈতে। অদুম ওইনমক হান্নদগী হৌনা কাবুলদগী য়ু এস তম্না পায়রম্বা চার্টর ফ্লাইটশিং অমুক হন্না পাইহন্দুনা মফম অদুদা লৈরিবা মীওইশিং মরুওইনা অমেরিকানশিং লৌথোক্লবগী পান্দমদি থল্লি হায়না ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাংলোয় নেদ প্রাইসনা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এস অমদি মসিগা চৎমিন্নরিবা লৈবাকশিংনা হৌখিবা ওগষ্ট থাদা মীওই লাক্ষ অমা হেন্না অফঘানিষ্টানদগী পুথোরকখি। মখা তানা লৈবাক অদুদা অহেনবা মিলিটরি থাজিন্দুনা অমেরিকানশিং অমদি অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা ফোরেন সিটিজনশিং লৌথোকপগী থবক চথবা য়াই। অদুবু মমাং চহীদা টালিবান অমদি ৱাশিংটন অনীগী মরক্তা য়ানখিবা মতুংইন্না টুপশিং অফঘানিষ্টানদা অমুক হন্না থাজিল্লরোই।

অদুম ওইনমক লৈবাক অদুদা লৈরিবা য়ু এস সিটিজনশিংনা ফ্লাইট তোংদুনা চৎনবা হোৎনবদা টালিবাননা অয়েৎপা পীরক্লবদি মদুগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি। টালিবানশিংনসু য়ানখিবশিং ঙাক্লা চৎকনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়না নেদনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াবদি হৌখিবা ওগষ্ট থাগী ময়ায় চল্লকপদা টালিবাননা অফঘানিষ্টান মপুঙ ফানা খুদুম চনখিবগা লোয়ননা টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা শেমখিবনি। টালিবানগী লৈঙাক লাকখ্রবা মতুং মীওই কয়া লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎপা হৌনখিবনি।

অঙাং হাৎখিবগী মতাংদা মীয়াম্না ঈরাং শাগৎতনবা ওথোরিটিনা আপিল তৌরক্লি

য়োন্দে, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা কেমরুনগী কোনুং য়োন্দেগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা বুয়ে রিজন্দা পুলিস পর্সনেল অমনা মশাগী চহী ৫ খক্তা শুরিবি নুপীমচা অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা অদুগা মরী লৈননা মীয়াম্না ভাইলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং চথদনবা অমদি পুক্নিং ফাথনা লৈনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অপিল তৌরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসিগী থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থিবা থৌদোক্লি। থৌদোক্তুদা চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেল অদুগী মথক্তা ৱাহং পাউহংগী থবক চথবা হৌখ্রে। মীয়ামদা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনগনি। অদুম ওইনমক অচুম অরান খঙদনা মীয়াম্না ঈহৌ শাগৎপগী ৱাফম অসি অরানবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা থিগৎলুবদগী খঙবা ঙমলকখিবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না টেক্সি ড্রাইভর অমনা সিগ্নেল থুগায়দুনা লাকখি। মহাকপু পুলিস পর্সনেল অদুনা খাম্নবা খঙহল্লুবদা খাল্লমদনা মফম অদুদগী নাম্বোক্তুনা থৌনবা হোৎনখি। মদুদা মথৌ তৌরিবা পুলিস পর্সনেল অদুনা ৱার্নিং শোট ওইনা লাইভ রাউন্দ কাপখি। মতম অদুদা টেক্সি মনুংদা লৈখিদ্রবী স্কুল মহৈরোয় অদু তোংই হায়বা খঙখিদে।

টেক্সিগী মনিং থংবা সিটতা তোংলমখিবা চহী নৌরিবী অঙাং অদুদা ৱার্নিং শোট অদুনা পানবদগী শোকখি। কা হেন্না শোকখিবনা মরম ওইরগা অঙাং অদু লায়কন্নবা ঙমদনা শিখিবনি। অদুবু থৌদোক অদুগী অচুম অরান খঙদ্রিঙৈদা মীওই ৫০০ রোম হেনবনা অঙাং অদুগী অশিবা হকচাং পুদুনা গভর্নর ওফিস তম্না লাকখিবগা লোয়ননা ভাইলেন্সকী ওইবা থৌওংশিং চথরকখিবা অদু লোগী ৱাংমদনি।

হৌজিক থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা পুলিস পর্সনেল অদু ফাজিন্দুনা থমখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মথক্তা চথরিবা কেস অসিগী অরোইবা ৱায়েল লাক্ত্রিবা ফাওবা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে। মরম অদুনা মীয়াম্না পুক্নিং ফাথনা অমদি ভাইলেন্সকী ওইবা থবক চথদনবা অপিল তৌরক্লি।

ম্যান্মার জুন্টাগী এনভোয় রিকগ্নাইজ তৌবগী মীফম য়ৈথোকখ্রে

ন্যু য়োর্ক, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা মিলিটরি জুন্টানা মখোয়গী এনভোয় ওইনা নোমিনেট তৌরকখিবা মীহুৎ অদু রিকগ্নাইজ তৌবগী মতাংদা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী ওইনা মীফম অমা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু খূদক্তা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী লুচিংবা এন্টোনিও গুটরেজনা য়ৈথোকখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা গুটরেজকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সকী লুচিংবা ১০ য়াওনা মীফম অসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বনি। অদুমওইনমক ম্যান্মারদা হৌজিক-হৌজিক মিলিটিরি লৈঙাক্লা চথরিবা কা-হেনবা থবক থৌওংশিং অদুবু য়ু এননা য়াম্না কুপ্না ওবজর্ভ তৌরবা মতুং মখা তানা খন্ননবা মতম লৌবা ওইনা মীফম অদু য়ৈথোকখিবনি। এসোসিএসন ওফ সাউথ ইষ্ট এসিয়ন নেসন্সগী লুচিংবশিংনা ম্যান্মারদা হৌজিক লৈরিবা মিলিটরি জুন্টা লৈঙাক্তা মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না থবক তৌনবা অমদি মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অমা শেম্নবা কয়ারক হন্না তকশিনখ্রে। অদুমওইনমক মিলিটরি জুন্টাগী লুচিংবা জেনরেল মিননা মখোয়গী ৱাফম অদুবু য়াখিদবগা লোয়ননা মিলিটরি লৈঙাক মখা তানা লৈহন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। মিলিটরি লৈঙাক্কী কা-হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ইন্টরনেসনল কম্যুনিটিশিংনা লৈবাক অদুগী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা অথিংবশিং থমজিনবা হৌখ্রে।

য়ু এস অমদি রসিয়ানদি ম্যান্মারদা মখা তানা খূৎশু-খূৎলায় সপ্লাই তৌদনবা ফিরেপ লৌখ্রে অমদি ইকনমিগী ওইবা অথিংবশিং থমজিনখ্রে। পনবা য়াবদি, চহী অসিগী ফেব্রুৱারী ১দগী হৌরগা ম্যান্মারদা মিলিটরি লৈঙাক লাকখিবনি। হান্না লৈরম্বা মীয়ামগী ওইবা লৈঙাক অদুবু ইন্থুরবা মতুং মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চি য়াওনা অতোপ্পা লুচিংবা কয়া মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখ্রবা মতুং মখোয়গী মথক্তা তোঙান-তোঙানবা মরাল কয়া শীজিন্দুনা হৌজিক-হৌজিক কেস চথরি। মিলিটরিনা লুচিংবশিং অদুগী মথক্তা শীখিবা মরালশিংগী মনুংদা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সনদা ওং সান সু চিগী পার্টিনা অরানবা কয়া তৌখিবদা নৎতনা ইলেক্সন মায় পাক্লবা হোৎনবদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা শেমখিবা প্রোটোকোলশিং থুগায়খি হায়না মিলিটরিনা চার্জ তৌরি।

ইকনমিগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিসকী চাং হেনগৎলক্লি

সানা, ওক্টোবর ১৫ (এজেন্সী):

য়েমেনগী ইকনমি নোংম-নোংমগী ফিভম শোকচিল্লকপগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা হ্যুমেনিটরিয়ন ক্রাইসিস থোকপগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্লি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইন্টরনেসনেল কম্যুনিটিশিংনা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎহৌদ্রবদি লৈবাক অসিদা মীশি মীনা থোকপগী চাং য়াম্না হেনগৎলকপা য়ানা লৈ হায়রি।

য়ু এন সসক্যুরিটি কাউন্সিলগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল রামেশ রজাসিঙ্গমনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা সিভিল ৱারনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অৱাফমদা তারি। মরুওইনা শেল থুমগী ফিভম শোকচিল্লকপদগী মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। চাবা ফংদবনা মরম ওইরগা লৈমিন্নরিবা মশেলগী মরক্তা য়াম্না তোয়না ভাইলেন্সকী থৌদোকশিং থোরক্লি।

লৈবাক অদুদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী মনুংদা মীওই মিলিয়ন ২০ হেনবদি হ্যুমেনিটরিয়ান এসিষ্টেন্সকী মথৌ তারি। হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দগী হৌরগা ইরাননা বেক তৌবা হৌথি রেবেলশিং অমদি গবর্নমেন্ট ফোর্স অনীগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লবা হৌরকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখ্রে। কয়া অমনা ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নহনখ্রে। হৌজিক লৈহৌরিবশিং অসিসু অৱাবা কয়া মায়োক্লদুনা লৈরি।